# মেরি কোম য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে, মঞ্জু রানি ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর শোইদ্রে



উলান উদে, ওক্টোবর ১২(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী এম সি মেরি কোম, যমুনা বোরো অমসুং লোবলিনা বোরগোহেন সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। মঞ্জু রানি ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর মেদল শোইদ্রে।

রসিয়াগী উলান উদেদা ঙসি ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিনয়শিপকী ফ্লাইৱেথ (কে জি ৫১)দা চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী এম সি মেরি কোম টর্কিগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন বেসেনাস কেকিরোগ্লুগী মখুৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবদগী ব্রোঞ্জ ফংখিবনি।

লাইট ফ্লাইৱেথ (কে জি ৪৮) কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী মঞ্জু রানিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল বাউট অদুদা থাইলেন্দগী বোক্সর চুথামট রক্সতপু ৪-১ (২৯-২৮, ৩০-২৭, ২৮-২৮, ২৮-২৯, ২৯-২৮)দা জজ মঙানা পোইন্ট পীখিবদগী মঞ্জুরানি মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর অমদি শোইদ্রে। হয়েং মহাক্না ফাইনেলদা রসিয়াগী বোক্সর একাটরিনা পালসেভাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর যমুনা বোরো বেন্টমৱেথ (কে জি ৫৪)কী সেমি ফাইনেলদা টাইৱানগী বোক্সর হ্যাং সিয়াও ৱেনগী মখুৎতা ০-৫ (২৮-২৯, ২৮-২৯, ২৭-৩০, ২৭-৩০, ২৭-৩০)দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ ফঙহৌখি।

ৱেল্টর ৱেথ (কে জি ৬৯)গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী লোবলিনা বোর্গোহেন চাইনাগী বোক্সর য়াং লিয়ুগা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা ২-৩ (২৮-২৯, ২৯-২৮, ২৭-৩০, ২৯-২৮, ২৮-২৯)দা সেমি ফাইনেল মায়থীহৌদুনা মহাক্না শরুক য়ারকপা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এস এফ সী তেরানা আই এফ সী লম্ফেলবু থোইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাই দল্লীয়ু সিগ্রাউন্দ মালোমদা ঙসিদগী হৌদুনা চথরিবা '৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯'গী অহৌবা মেচতা এস এফ সী তেরানা আই এফ সী লম্ফেলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দিভিজন ফুটবোল লীগ অসি তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথগদৌরিবনি। ঙসি অহৌবা লীগ মেচতা এস এফ সী অমসুং আই এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা এস সী এফনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৪ পাউগীনথাংনা টিম অসিগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। মতম ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা টিম অসিগী গোল একাউন্টহাংদোকখিবা পাউগীনথাংনা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা ২-০দা মাংজিলথাখি। মায়োক্নবা টিম আই এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হনে দাক্লবা অকনবা মঙংদা এটেকচথখি। অদুবু শান্নবগী অপীবা মতম লোইরবা ফাওবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী এস এফ সীনা আই এফ সীবু ২-০দা থোইখি।

ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধকস্যা আর কে তরুনি দেবী, আই এম সিগী কোর্পোরেটর ৱার্দ নম্বর ২১গী কামৈ জয় কবুই, আই দল্লীয়ু দি এফ এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ মেঘচন্দ্র সিংহনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওর্নর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েংগী মেচতা এস ৱাই পি এ অমসুং ৱাই য়ু সী নুংথিলগী পুং ২দা লম্বা তৌনরগনি।

১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

## দল্লিয়ু ৱাই সীনা কে ৱাই এস সী কে এলবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা দল্লিয়ু ৱাই সী য়ুম্নাম খুনৌনা কে ৱাই এস সী কে এল নম্বোল খাজিরিবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচতা দল্লিয়ু ৱাই সী অমসুং কে ৱাই এস সী কে এল শান্নখিবা মেচ অদু দল্লিয়ু ৱাই সীনা কে ৱাই এস সী কে এলবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি। দল্লিয়ু ৱাই সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এল খম্বতোন, ও মালেমঙানবা, মেক্স অমদি এল রোনাল্ডোনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা কে ৱাই এস সী কে এলগী পাঞ্জল অদুনা টি ঐচ ৱিল্লিংসন অমদি এ দ্বাকান্টনা চনখি।

৮-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

## পোইন্ত্রেক্স এদ্যুকেসনল প্রাইভেট মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): পোইন্ত্রেক্স এদ্যুকেসনল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা আই টিগা মরী লৈনবা প্রাইভেট কম্পেনি অমসুং ইন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৮-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লংথবাল ফুরা মখোংদা লৈবা চুমথাং সনাপুং আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা পোইন্ত্রেক্স এদ্যুকেসনেল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদ (এ), অনীশুবা মেচতা হেদ্রোন টেক, অহুমশুবা মেচতা দাইনা ইন্সটিট্যুট, মরিশুবা মেচতা থৌদাম নেটৱর্ক অমদি মঙাশুবা মেচতা এ বি সী ইন্সটিট্যুট মায় পাকখ্রে।

## ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টিম শেম্নবগীদমক থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কবাদ্দি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বাস্কেটবোল (মেন) টিম খন্নবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু বন্দনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

## পি এস ৱাই সী, এস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি এস ৱাই সী ফুনাল অমদি এস এফ সী শুগুনু মায় পাকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পি এস ৱাই সীনা এফ এস সী ককচীংবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এফ সীনা শুগুনুবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

HL-B/55645/3-31oct.

৬২শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল

## বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ইষ্টপু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস, মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬২শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লসকী ঙসি শান্নখিবা অন্দর ১৪-গলর্সকী ফাইনেল মেচতা বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ইষ্টপু পাঞ্জল ৬-৫দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী ফাইনেল মেচতা বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক অকনবা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা লম্বা তৌনখ্রবসু অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদনা পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা টিম অনীমক হেনবা প্রেসরগা লোয়ননা অহানবা হাফকী শান্নবা মওংদগী খরা শেমদোক্লদুনা লম্বা তৌনবা হৌরকখি। অদুবু অপীবা মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী পেনাল্টি কাউনবা তাখি।

পেনাল্টিদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয় ৭/৭না কাউনখি। বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদা জর্সি নম্বর ৯ এল সেলিয়া, জর্সি নম্বর ১২ গীতারানি, জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ সঞ্জিতা দেবী, জর্সি নম্বর ১০ এল বিজয়া চনু, জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ রোজিদা অমদি জর্সি নম্বর ৫ সিলকিনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখিবদগী পুন্না টিম অদুগী শান্নরোয় ৭ কাউবগী মনুংদা শান্নরোয় ৬না স্কোর তৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৭না পেনাল্টি কাউবগী মনুংদা ৫না চনবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি জর্সি নম্বর ৮ অঞ্জিলি গুরুময়ুম, জর্সি নম্বর ১১ কে অঞ্জু, জর্সি নম্বর ১২ এন পিঙ্কি দেবী, জর্সি নম্বর ৯ সি ঐচ অঞ্জলি, জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই নাওবী চনুনা চনবা ঙমখি।

৭শুবা জুনিয়র মেন্স এন্দ ৱুমেন ষ্টেট লেভেল হোক্কি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

## কে ঐচ এস সী অমসুং ঐচ ভি ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭শুবা জুনিয়র মেন্স এন্দ ৱুমেন্স ষ্টেট লেভেল হোক্কি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী জুনিয়র মেন্সকী ফাইনেলদা কে ঐচ এস সী অমসুং ঐচ ভি লম্বা তৌনরগনি।



জুনিয়র মেন্সকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা কে ঐচ এস সীনা বি ঐচপু পাঞ্জল ১২-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। কে ঐচ এস সীগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু এল মাইকেল, আই রোহিট, এন অমরজিৎ, বোরিশ, ব্রেবরি অমদি সামসননা চনখি।

জুনিয়র মেন্সকী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঐচ দল্লিয়ু সী অমসুং ঐচ য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ঐচ য়ুনা ঐচ দল্লিয়ু সীবু স্কোর ১২-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। ঐচ য়ুগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু রিকি, প্রিতমরোয়, বিদ্যানন্দ, সুরেস, নিরজকুমার অমদি মনিমতুম্না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ঐচ দল্লিয়ু সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা কে সঞ্জিৎ অমদি বিক্রম্না চনখি।

জুনিয়র গর্লসকী ১০শুবা মেচতা ৱাই সী সী আই সী অমদি বি ঐচ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা ৱাই সী সী আই সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা বি ঐচপু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীখি। ৱাই সী সী আই সীগী স্কোরশিং অদু এস বেবিরানি, পি প্রিয়া অমদি কুন্দালিনা চনখি।









## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


HL-B/5669/12-16Oct.







HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com